# কিমনা খুৎলায় হেন্না শাননবা ওর্দর তৌখিবদগী নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র সাইটতা এক্তিভিটি কনখৎখ্রে

ৱাশিংতন, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী পুক্কে চাওথোক্লবা বোমগী ফ্যুএল পুথোকপা হেনগৎননবা লৈবাক অসিগী লিদরনা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র সাইটতা হান্নদগী হেন্না এক্তিভিটি কনখৎলক্লে হায়বসি সেটলাইট ইমেজশিংনা উৎলে হায়রি।

ৱাশিংতনদা বেজ তৌবা ৩৮ নোর্থ কোরিয়া মোনিটরিং প্রোজেক্টনা হায়রিবদি মার্চ ৩ অমসুং ১৭ কী ইমেজশিংদা য়ুম্ফম ওইবা এক্তিভিটিশিং অদুনা য়োংবিওন সাইটতা এক্সপ্রিমেন্টেল লাইট ৱাটর রিএক্টর (ই এল দব্লিয়ু আর) অমা মপুং ফানা লোইশিল্লক্কদৌরে অমসুং থুনা ওপরেস্নেল ষ্টেটস য়ৌরক্লগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী হায়না ইন্টরনেসনেল ন্যুজ এজেন্সি (এপি) গী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ইমেজশিং অদুদা য়োংবিওনগী মেগাৱাট ৫ গী রিএক্টর অমা মখা তানা ওপরেট তৌরি অমসুং ই এল দব্লিয়ু আরগী অকোয়বদা সপোর্ট বিল্ডিং অমা শাবা হৌখ্রে হায়বসি উৎলি। রিএক্টর অদুগী কুল্লিং সিষ্টেম অদুদগী ঈশিং দিসচার্জ তৌবসু দিটেক তৌখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়রিবদি য়োংবিওনগী য়ুরেনিয়ম ইনরিচমেন্ট প্লান্টগী অকোয়বদসু অনৌবা কন্সট্রক্সনগী থবক হৌখ্রে অমসুং প্লান্ট অদুগী কেপেবিলিটিশিং হেন্না চাওথোরকপা য়াবগী ইঙ্গিৎ উবা ফঙই। ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসিনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়রগী পুক্কে হেন্না চাওথোক্লবা লৈবাক অসিগী ফিসাইল মেটরিএল পুথোকপা হেনগৎনবা কিম জোং উননা হন্দক্তা দিরেক্তিব পীখিবদু থবক্তা ওন্থোরকই হায়বসি উৎলি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা খরা পীকপা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিংগী মায়খুম হাংদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় মশিং য়ামথোকহন্নবা খুৎলায় গ্রেদকী ন্যুক্লিয়র ইক্বিপমেন্ট হেন্না পুথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি। মিলিটরি দ্রিল হেন্না কনশিন্নবগীদমক্তা য়ুএসকী এয়রক্রাফটকী কেরিয়র অমা সাউথ কোরিয়াদা থুংখিবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানা খোঙথাংশিং অসি লৌখৎলকপনি।

লৈবাক অদুগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গী পুক্কে শীংথানিংঙাই ওইনা মশিং য়ামহন্নবগী মরু ওইবা অথুবা খোঙথাং অমা ওইনা কিম জোং উননা খুৎলায় গ্রেদকী মেটরিএলশিং পুথোক্লবা অমসুং হেন্না মতিক ময়াই লৈবা খুৎলায় শান্ননবা ওর্দর তৌখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা মতম অমদা হেক্তা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট পাঙথোরকপা য়াই হায়বা ৱার্নিং অসি কুমজা ২০২২ গী অঙনবদগী সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুএসনা পীদুনা লাক্লিবনি।



# ‘হিজাব য়াওদবা নুপীশিং মীনুংশি উৎতনা প্রোজিক্যুসন চংখগনি’

টেহরান, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
ইরানিয়ন নুপীশিংনা লৈবাক অসিগী ওথোরিটিশিংনা লাউথোকখ্রবা তঙাই ফদনা ইন্দবা য়াদ্রবা ফিজেৎ চাকচেৎকী কোদ থৌশারক্তবা হেল্লকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী চীফ জষ্টিসনা হিজাব য়াওদনা মীয়াম মমাঙদা থোরকপা নুপীশিং মীনুংশি উত্তনা ফাননবা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

ইরানিয়ন মেদিয়ানা চীফ জষ্টিস গোলাম হোসেন মোসেনি ইজৈগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, নুপীশিংনা হিজাব শীজিন্নদবা হায়বসি ঐখোয়না লুনা লৌরিবা ভেল্যুশিংগা তাইওন্নে। অসিগুম্বা ঐখোয়গী ভেল্যুশিংগী মায়োক্তা ওইবা থৌওং চংথরিবশিং অদু চৈরাক পীগনি অমসুং মীনুংশি অমত্তা লৈতনা প্রোজিক্যুট তৌগনি। চীফ জষ্টিসনা দ্রেস কোদ ইন্দবশিংদা পীগদৌরিবা চৈরাক অদু করি ওইগদগে হায়বদি পনখিদে।

ইজৈনা হায়খি, লো এনফোর্সমেন্ট ওফিসরশিংনা অসিগুম্বা চৎনবীগী ৱাংমদা ওইবা থৌওং চংথদুনা ক্রাইম তৌরিবশিং অমদি লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা লোগী মায়োক্তা চংথরকপা মওং মরিল তাদবা থৌওং খুদিংমক জুদিসল ওথোরিটিশিংদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা ইস্যু তৌদুনা গভর্ণমেন্টগী মেন্দেটরি হিজাব লো হেন্না কনশিলহনখ্রবা মতুংদা ইজৈনা ৱার্নিং অসি পীখিবনি। ফিজেৎ চাকচেৎকা মরী লৈননা অথিংবা কয়া থল্লিবদুবু য়ানিংদবা উত্তুনা ইরানিয়নশিংনা পাক শন্না মখা তাবা ওথোরিটিশিংবু শিংনরি হায়বসি ওনলাইনদা থাগৎপা ভিদিওশিং অমসুং ফোটোগ্রাফশিংদগী খঙবা ঙম্মী।

চয়োল অসিগী অঙনবদা থাগৎপা ভিদিও অমদা মীওই অমনা হিজাব শীজিন্নদবা নুপী অমদা যোঘৎ লংশিনবা অমদি অনকপদা চৎলিবা নুপা অমদি নুপীশিংনা মহাক্কী থৌওং অদুদা কন্না য়ানিংদবা উৎপগী শক্তমশিং উবা ফংই। কুমজা ২০২২ গী সেপ্টেম্বরদা মশাগী চহী ২২ শুরবী মহশা অমেনি কৌবী নুপী অমা হিজাব মওং মরিল তাদনা শীজিন্নবগা মরী লৈননা টেহরানদা মোরেল্লিটি পুলিসকী কষ্টদিদা শিখিবদগী ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগী মফম শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চংথরকখিবনি।



# য়ুএসকী ষ্টেট কয়াদা টোর্নেদোশিংনা মরম ওইদুনা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং ১০০ হেন্না অশোক অপন নঙখ্রে

ৱাশিংতন, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
য়ুএসকী নোংচুপ অমসুং খাথংবা ষ্টেট কয়াদা হৌখিবা ইরাইদগী থাংজ নুমিৎকী অঙনবা ফাওবদা মতিক ময়াই লৈরবা টোর্নেদোশিং অমসুং অতৈ নোংলৈ নুংশিৎ কয়া শীৎচিল্লকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ২১ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৩০ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সি এন এনগী মতুংইন্না হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা য়ামদ্রবদা য়ুএসকী ষ্টেট তরেৎতা প্রিলিমিনরি টোর্নেদো রিপোর্ট ৫০ গী মথক্তা রেকোর্দ তৌখি।

লোকেল মেদিয়া আউটলেট রিজন ৮ ন্যুজকী মতুং ইন্না অর্কান্সাসকী খ্বাইদগী চাওবা সিটি প্রোস কাউন্টি অমসুং খ্বাইদগী চাওবা কাউন্টি ৱাইনদা অকনবা টোর্নেদো অমা শীৎচিল্লকপদা মীওই মরি শিখি অমসুং অতৈ কয়া অমা অশোক অপন নঙখি। টাউন অদু শীন থুংনা অমাঙ অতা কয়া থোকখি। টোর্নেদো অদুগী মতুংদা টাউন অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া লাংদা থুবগুম্না চংথোক চৎশিন তৌবা ঙমদনা লৈনখি।

পোলাসকী কাউন্টিগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না অর্কান্সাসকী লিটল রোকতা য়ামদ্রবদা মীওই ৫০ হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি অমদি মীওই অমা শিখি। মদু ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা মতিক ময়াই লৈরবা টোর্নেদো অমনা শাথিবা মওংদা অমাঙ অতাশিং থোকহনখ্রবা মতুংদনি। লিটল রোক্কী মেয়র ফ্রেঙ্কস স্কোট জুনিয়রনা থাংজ নুমিত্তা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা ষ্ট্রকচর ২,৬০০ রোম টোর্নেদো অদুনা মাঙহন তাকহনখি। সাউথ ৱেষ্ট টেনিসিদা লৈবা মেক নাইরি কাউন্টিদা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখি হায়না ষ্টেট গভর্ণর বিলিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎকী অহিংদা নোর্দন ইলিনোইসকী মফম অমদা লৈবা থিএটর অমগী য়ুমথক নিংখায়রকপদগী অহল ওইরবা মীওই অমা নন্দুনা শিখি।

থৌদোক অদুদা অতৈ মীওই ৪০ হোস্পিটালশিংদা পুখৎখি। য়ামদ্রবদা মীওই অনীগী ফিভম লূনা লৈ হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি। সাউর্দন ইলিনোইসকী ক্রোফোর্দ কাউন্টিদা রেসিদেন্সিএল ষ্ট্রকচর অমা নিংখায়রকপদগী মীওই অহুম শিখি হায়না ইলিনোইস ইন্মর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী স্পোক্স পার্সন কেবিন সুরনা ফোঙদোকখি।

ইরাই নুমিৎকী অহিংদা ইন্দিয়ানা সুলেবান কাউন্টিদা য়ুম কয়া অমদি ভোলুন্টিয়র ফায়র দিপার্টমেন্টদা অমাঙ অতা কয়া থোকখিবগা লোয়ননা মীওই অহুম শিখি হায়না ষ্টেট পুলিসকী সার্জন্ট মাট অমিনসনা ফোঙদোকখি।



# ইন্দিয়াগা মরী ফগৎহন্ননবা জেনরেল বজৱানা প্রেসর পীখি হায়না ইমরান খাননা ক্লেম তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
হান্নগী আর্মি চীফ জেনরেল (রিটয়ার্দ) কামর জাবেদ বজৱানা মঙোন্দা য়ুমথংনরিবা ইন্দিয়াগা মরুপ মপাং ওইবগী মরী শেমগৎপা হৌনবা প্রেসর পীখি হায়না পাকিস্থানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ক্লেম তৌখ্রে।

খাননা মহাক্কী ক্লেম অদুদা বজৱানা ন্যু দিল্লিগা মরুপ মপাং ওইবগী মরী থম্নবা পামখি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

দুনিয়া ন্যুজকী থাংজ নুমিৎকী রিপোর্ট অমনা হায়খি, মদুদি পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) পার্টিগী চিয়রমেন অসিনা লাহোরদা জর্নেলিষ্টশিংদা ৱা ঙাঙখি অমসুং মহাক্না হান্নগী আর্মি চীফ বজৱা প্রিন্সিপলগী মীওই নত্তে হায়নসু ক্লেম তৌখি।

খাননা হায়খি, মদুদি বজৱানা নোংমনা ৱা অমা হায়রগা মথংগী নুমিত্তনা ৱাফম অদুদগী অমুক হন্দাকখি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা ক্রোস-বোর্দর টেররিজম, সিজ ফায়র ভাইওলেসন, লমগী য়েৎনবা অমদি অতৈ ইস্যু কয়ানা তোইনা চৈথেং পীবা কমপ্লেক্স ওইবা মরী লৈনরকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থান অনীমক্না মরা তপ্পা ফিভম লিংবা পাম্মী হায়বসি হঞ্জিন হঞ্জিন্না ফোঙদোক্লখি। থা অসিগী অঙনবদা ইস্লামাবাদনা য়ুমথংনরিবা ইন্দিয়াগা বেক চেন্নেলদা ৱারী শানরি হায়বা ৱাফম অসি অমুক হন্না রিজেক্ট তৌখি।

মেদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা ফোরেন ওফিসকী স্পোক্স পর্সন মমতা জহারা বলোচনা চয়োলগী ওইবা ব্রিফিং অমদা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা হৌজিক্কী তাঙ্কক অসিদা পাকিস্থান অমসুং ইন্দিয়াগী মরক্তা বেজ চেন্নেলদা ৱারী শানবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

ন্যুজ এজেন্সি অমগী রিপোর্টতা কুমজা ২০২১ দা লৈবাক অনীনা লোন্না ৱারী শানখিবগা লোয়ননা মখোয়গী মরী ফগৎলকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়না পনখিবনি।

পাকিস্থানগী হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফিভম পল্লদুনা পি টি আইগী চিয়রমেন অসিনা হায়, নুমিৎ ৯০ নিগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্তবা তারবদি লৈবাক অসিদা কন্সটিট্যুসন চৎনবগী ফিভম লৈররোই অমদি মদুগী মতুংদগীদি মহাক্না হকথেংননা এক্সন লৌখৎলগনি।

# মোর্টার মাইন পোকখায়বদা অঙাং অনী শিরে

কাবুল, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
অফঘানিস্থানগী নোংপোক থংবা ৱারদাক প্রোভিন্সতা মমাঙগী লানশিংদা পোকখায়দনা লৈহৌবা মোর্টার মাইন অমা পোকখায়রকপদগী অঙাং অনী শিখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল পুলিস স্পোক্সমেন য়াসুক ইসরারনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসল অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু সায়েদবাদ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবনি। অঙাংশিংনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মোর্টার মাইন অমা থেংনখি অমসুং মখোয়না মদুগা লোয়ননা শান্নবা হৌখি।

দিভাইস অদু খঙহৌদনা পোকখায়রকখিবদা ইমুং অমগী অঙাং অনী শিখিবনি। মদু হৌখিবা নুমিৎ তরুক্কিগী মতমদা অফঘানিষ্টানদা মরাল লৈজদবা অঙাংশিং শিহনখিবা অসিগুম্বা মখলগী অহুমশুবা ব্লাষ্টনি।

পনবা য়াবদি, মান্নবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা লৈবাকপোক্পা নুমিত্ত অৱাং থংবা জোজুৱান প্রোভিন্সতা অঙাং অনী শিখিবগা লোয়ননা অতৈ মরি অশোক অপন নঙখি। ইরাই নুমিৎতনা খা থংবা জাবুল প্রোভিন্সতা মাইন অমা পোকখায়রকপদগী অতোপ্পা অঙাং অমা শিখিবগা লোয়ননা অতৈ ৩ না শোকখিবনি।

# য়ুক্রেনগী লানদা এথলেট ২৬২ শিখ্রে: বাদিম হুটসাই

কিভ, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাদুনা চংথরিবা লান অসিদা য়ুক্রেনিয়ন এথলেট ২৬২ গী পুন্সি লোমখ্রে অমসুং স্পোর্টস ফেসিলিটি ৩৬৩ মাঙ তাকখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী স্পোর্টস মিনিষ্টর বাদিম হুটসাইনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনগী খোঙচৎ অমদা কিভতা লৈরিবা ইন্টরনেসনেল ফেদরেসন ওফ জিমনাষ্টিক্কী প্রসিদেন্ট মোরিনারি ৱাতানাবেগা উন্নদুনা ৱারী শানবদা হুটসাইনা হায়খি, মদুদি রসিয়াগী এথলেট অমত্তা ওলেম্পিক্স নত্ত্রগা অতৈ স্পোর্টস কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াহল্লোইদবনি। মখোয় লোইনমক্লা লান অসিবু শৌগৎলি অমসুং লান অসিবু শৌগৎতুনা পাঙথোকখিবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা রসিয়ন অমসুং বেলারসিয়ন এথলেটশিং থেংখাংনাইনা ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসনদা ন্যু ট্রেলশিং ওইনা য়াওহন্নবা রিকমেন্দ তৌখ্রবনি। কুমজা ২০২৪ গী পেরিস ওলেম্পিক্তা মখোয় শরুক য়াগদ্রা হায়বগী মতাংদা কম্মিটিনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি।

য়ুক্রেননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা করিগুম্বা রসিয়নশিংগা কম্পিট তৌনগদবা ওইরবদি কুমজা ২০২৪ গী গেমসকী ক্বালিফাইং ইভেন্টশিংদা য়ুক্রেনিয়ন এথলেটশিং শরুক য়াহল্লোই।

অমরোমদা, য়ুক্রেনিয়ন ওথোরিটিশিংগী ৱারেপ অসিবু আই ও সিনা ক্রিটিসাইজ তৌখি। হৌজিক ফাওবদা লানদা শিখিবা য়ুক্রেনিয়ন এথলেটশিংগী মশিং অমদি মাঙহন তাকহনখ্রবা স্পোর্টস ফেসিলিটিশিংগী মশিং এজেন্সিনা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা ভেরিফাই তৌবা ঙমদ্রি।

কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারীদা রসিয়ানা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবদগী য়ুক্রেনিয়ন নেসনেল-এথলেট কয়ানা মরৈবাকপু য়েক্লবগী অকন অরিং শীংবগী থৌওংদগী ঙাকথোক্লনবা ভোলন্টরি ওইনা চোংথোক্লদুনা খুৎলায় পায়বা হৌখিবনি। চহী অসিদা শিখিবশিংগী মনুংদা ফিগর স্কেটর দমিট্রো সার্পর য়াওরি। মহাক বাকমুটকী মনাক্তা শোক্লখিবা লানদা শিখিবনি। দেকাটলোন চেম্পিয়ন অমসুং তুংগী ওলেম্পিক্তা মেদল কয়া ফঙগনি হায়না থাজনখিবা মশাগী চহী ২২ শুরবা বোলোদিমির অন্দ্রোসচুকসু লানদা মথ্বায় থাখি।

# আই এম এফ ফন্দশিংগী য়ুটিলাইজেসন য়েংশিন্নবা কম্মিটি শেমখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
ইন্টরনেসনেল মনিটরি ফন্দ (আই এম এফ) না পীবা ক্রেদিট ফেসিলিটিবু শ্রী লঙ্কানা শীজিন্নবগী মওং য়েংশিন্ননবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা কম্মিটি অমা শেমখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

সন্দে ওবজার্বরগী মতুং ইন্না কম্মিটি অদুদা প্রসিদেন্টগী চীফ ওফ ষ্টাফ সগালা রত্নয়াকা, ট্রেজরি সেক্রেটরি মহিন্দ শিরি ৱারদানা, সেন্ট্রেল বেঙ্ককী গভর্ণর নন্দলাল ৱিরা সিঙ্গে অমসুং এক্সপার্ট গ্রুপ অমা য়াওরি।

কম্মিটি অদুগী মরু ওইবা থৌদাংদি আই এম এফকী প্রোসেস চাং নাইনা মোনিটর তৌবা অমসুং টেক্স পার্সেন্টেজতা লাকপা অহোংবশিং অমসুং ইন্দাইরেক্ট টেক্সশিং হন্থরগা দাইরেক্ট টেক্সশিং হেনগৎলকপগী ওইথোকপা য়াওনা টেক্স পোলিসিশিং য়েংশিনবা অসিনি।

মসিদা নত্তনা কম্মিটিনা আই এম এফকী কন্দিসনশিং ইফেক্তিব ওইনা ইমপ্লিমেন্ট তৌব্রা নত্ত্রগা তৌদব্রা হায়বদুসু য়েংশিনগনি। প্রসিদেন্টগী ইন্সট্রক্সন মতুং ইন্না কম্মিটিনা এন্টি-করপ এক্টকুম্বা ওর্দিনান্সশিং য়াওনা মরু ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদা থা অমগী মনুংদা কেবিনেটতা অমুরক রিপোর্ট তৌগনি। প্রসিদেন্টনা কম্মিটিগী ওপরেসনগী মতাংদা রিকমেন্দেসনশিং পীগনি অমসুং মতমগী মতুং ইন্না মদুবু কেবিনেটকী অয়াবসু লৌনবা হোৎনগনি।

শ্রী লঙ্কাদা নিংতম্বা মতুংদা খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস অমা লাকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা কুমজা ২০২২ দা ইন্টরনেসনেল লেন্দর অসিগা নিগোসিএসন চংথবা হৌখিবনি।



# বৃটিস নেসনেল অহুম টালিবানগী সিক্রেট পুলিস য়ুনিটনা দিটেন তৌখ্রে

লন্দন, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
চেরিটি ৱার্কর অমা অমসুং দেঞ্জর পুলিস অমা য়াওনা বৃটিস নুপা অহুম অফঘানিষ্টানদা টালিবাননা ফাজিন্দুনা থমখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা য়ুনাইটেদ কিংদমগী ওফিসলশিংনা মীওই অহুম অদুবু দিপ্লোমেটিক চেন্নেলদা কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনরি অমসুং মখোয়গী ইমুংদসু মতেং পাঙনবা হোৎনরি।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না টালিবানগী সিক্রেট পুলিস য়ুনিটনা মশাগী চহী ৫৩ শুরবা কেবিন কোনৱেল কৌবা মীওই অমা দিটেন তৌখি অমসুং কাবুলদা এইদ ৱার্করশিংগী থবক তৌবা অতোপ্পা বৃটিস নুপা অমসু টালিবান পুলিসনা দিটেন তৌখি।

অফঘানিষ্টানদা কোইবা চৎখিবা মেলিস রোদলেস অহুমশুবা বৃটিস নেসনেল অমসু দিটেন তৌখি। মহাক চহী অনী ফাদবা মতমগী মমাঙ অফঘানিষ্টানগী মতমদগী প্রসিদেন্ট অশ্রফ ঘানি মফমদগী চিংথুবগা লোয়ননা টালিবাননা লৈঙাক অসিগী পৱার পায়শিনখিবা মতুংদা য়ুকেগী আর্মদ ফোর্সেসনা অফঘানিষ্টানদগী পুথোক্লবা হোৎনখিবনি। মহাক লৈবাক অসিদা খোঙচৎ অমগীদমক্তা হল্লকখিবনি।

য়ুকেগী ফোরেন, কম্মন ৱেল্‌থ এন্দ দিভলপমেন্ট ওফিস (এফ সি দি ও) না বৃটিস নেসনেলশিং অদুগা কন্সুল্লর কন্টেক্ট তৌনহন্নবা হোৎনরি হায়বসি কনফার্ম তৌখি। অফঘানিষ্টানদা দিটেন তৌরিবা বৃটিস নেসনেলশিং অদুবু বৃটিস কোন্সুলেটকা কন্টেক্ট তৌনহন্নবা ঐখোয়না হোৎনরি অমদি মখোয়গী ইমুং মনুংশিংবুসু ঐখোয়না মতেং পাঙনবা হোৎনরি হায়না এফ সি দি ওগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না টালিবানগী জেনরেল দিরেক্টরেট ওফ ইন্টলিজেন্সনা হৌখিবা জনুৱারী ১১ দা রেইদ অমা চংখিবদা কোনৱেল ফাখিবনি। মহাকপু দারিয়া ভিলেজ হোটেলদা লৈবা মহাক্কী রেন্টেদ কাদা লোনা য়াদবা খুৎলায়শিং থল্লম্বগী মরাল শীখি। হোটেল অদুগা মরী লৈনবা বৃটিস নেসনেল অমসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাখি। মীওই অনীমক সি দি আইনা ওপরেট তৌবা ফোরেন নেসনেলশিংগী সিক্যুর য়ুনিট অমদা ফাজিন্দুনা থল্লি হায়না দিরেক্তরেটনা ফোঙদোকখি।

মখোয়বু ফাবগী চার্জশিং ফোঙদোকখিদবগা লোয়ননা মখোয়দা লিগেল রিপ্রজেন্টেসনগী খুদোংচাবসু পীখিদে। বৃটিস এন জি ও অমগী নিগোসিএটর স্কোর্ট রিচার্দনা হায়খি, মদুদি টালিবানগী জি দি আইনা অরোনবা পাউ অমদা য়ুম্ফম ওইরগা থবক তৌখিবা ওইরম্বা য়াই।

কেবিনগী কা অদুদা টালিবান মশানা ইস্যু তৌখিবা লাইসেন্স অমা লৈখি অমদি খুৎলায় অদু কা অদুদগী অমুক্তা পুথোকখিবা লৈতে হায়বা ৱাফমসু মহাক্না পনখি।

অফঘানিষ্টানদা লিগেল রিপ্রজেন্টেসনগী রাইট য়াওনা লিগেল প্রোসেসকী মতাংদা করি করি লৈবগে হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমদে হায়নসু রিচার্দনা ফোঙদোকখি।



# সাউথ কোরিয়াগী মফম কয়াদা উমংশিংদা লাম্মৈ চাক্লে

সিওল, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
কালেনগী ঈকং কংবা অমসুং নুংশিৎ তোইনা শিংকনবা ৱেদরনা মরম ওইদুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সাউথ কোরিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা উমংশিংদা লাম্মৈ চাক্লকখি হায়না মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।

কে এফ এস রিয়েল-টাইম ফোরেষ্ট ফায়র ইনফোর্মেসন ৱেবসাইটকী মতুং ইন্না লোকেল মতমদা নুংথিল পুং ৩.৩০ তারকপদা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা পুন্না উমংশিংগী মফম ৩০ দা লাম্মৈ চাক্লকখি। লাম্মৈ মফমশিং অদুগী মনুংদা মফম ১৫ দি চাক্লিবা লাম্মৈ অদু মুথুৎপা ঙমখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা দ্রাই ৱেদর ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌখ্রে। লৈবাক অসিগী হান্না প্রসিদেন্টগী ওফিস ওইরম্বা মফমগা নক্লবা চীং অমা ওইরিবা সিওলগী মাউন্ট ইংৱাংদা লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১১.৫৩ তাবদা লাম্মৈ চাওনা চাকখি।

ফায়র ফাইটিং ওথোরিটিশিংনা পুং ৩ হেন্না হোৎনদুনা লাম্মৈ অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনখি। ওফিসল চা কয়া মোবিলাইস তৌবগা লোয়ননা হেলিকোপ্টর মাপন অমসুং অতৈ ইক্বিপমেন্ট শীজিন্নখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লাম্মৈ চাকপা অদুনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা থোকপগী পাউ ফংদ্রি। তৌইগুম্বসুং ইমুং ১২০ লোমগী মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা হোঙদোক্লবা ওথোরিটিশিংনা খঙহনখ্রে।

লাম্মৈ চাকপনা মরম ওইদুনা উমংগী লম স্কৱার কিমি ০.২৩ হায়বদি সোক্কর ফিল্ড ৩২ গী সাইজ মাঙ তাকখি। সিওলগী খারোমদা কিমি ১১০ রোম লাপ্না হোংসিওংদা লৈবা চীং অমদসু লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা লাম্মৈ চাওনা চাক্লকপগী রিপোর্ট লাকখি।

লাম্মৈ অদু নক্লনা লৈবা লন্নাই য়ুমশিংদসু শন্দোরকখি। তৌইগুম্বসুং মদুনা মরম ওইদুনা মীশি মীনা থোকপগী পাউদি ফঙখিদে। উমংগী লম হেক্তর ২০০ রোম মৈ চাকখিবগা লোয়ননা লন্নাই য়ুম তরুক, শা যণশিংগী ফার্ম অমা অমসুং হৱাই চেঙৱাইশিং পৈফম অমা মাঙ তাকখি।

# নিগোসিএসন চংথরিঙৈদা ইজরেল্লিশিংনা জুদিসল রিফোর্মগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট মখা চংখ্রে

জেরুসালেম, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
ইজরেল্লি লিশিং কয়ানা সমুদ্র মপানগী সিটি টেল অভিবতা দিমোন্সট্রেসন মখা চংথবা হৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টগী জুদিসল রিফোর্মগী থৌরাং মপুং ফানা কেন্সেল তৌননবা তকশিনখ্রে।

চেন্নেল ১২ গী এষ্টিমেসন পল্লদুনা টাইম ওফ ইজরেলনা রিপোর্ট অমদা হায়, থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ইজরেলগী মরু ওইবা সিটি টেল অভিবতা মীওই ১৬০,০০০ না দিমোন্সট্রেসন পাঙথোকখি। অতৈ সিটি কয়াদসু দিমোন্সট্রেসনশিংসু পাঙথোকখি।

অমগা অমগা য়াশিন্নদুনা সোলুসন অমা পুরক্লবা হোৎনদুনা রুল্লিং কোল্লিসন অমসুং রিফোর্মগী থৌরাং য়াদ্রিবা কাঙবুশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা নিগোসিএসন চংথবা হৌখিবদগী নুমিৎ কয়ানি ইজরেলগী লম্বীশিং ইচিক চিক্লা লৈরুরবা মতুংদা নৌহৌননা প্রোটেষ্টশিং চংথবা হৌরকখিবনি।

মার্চ ২৬তা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা মতিক ময়াই কা হেন্না লৈরবা সুপ্রিম কোর্টপু কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা ৱাথোক ওইরবা লেজিসলেসন অমা পুথোক্লবগী থৌরাং মতম খরা লেপ্লগনি হায়না লাউথোকখি। থৌরাং অদুগী মায়োক্তা চয়োল কয়া লৈবাক শীন থুংনা প্রোটেষ্ট চংথবগা লোয়ননা লৈবাক শীন থুংবগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা কৌখিবা মতুংদা ৱারেপ অদু লৌরকখিবনি।

[illegible]

# অল-কাইদাগী গনমেনশিংনা এম্বুশ চংথবদা য়েমেনি গভর্ণমেন্টগী লাম্মী অহুম শিখ্রে

অদেন, এপ্রিল ২ (এজেন্সী):
য়েমেনগী খা থংবা অবিয়ান প্রোভিন্সতা অল-কাইদাগী গনমেনশিংনা চংথখিবা এম্বুশ অমদা য়ামদ্রবদা য়েমেনি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী লাম্মী অহুম শিখ্রে হায়না মিলিটরি ওফিসল অমনা মেদিয়াদা ফোঙদোরক্লি।

মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা লোকেল মিলিটরি ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা প্রোভিন্স অদুগী উমারিয়ন ভেলিদা পেট্রোল্লিং পাঙথোক্লিবা টুপশিংদা গনমেনশিং অদুনা এম্বুশ চংথরকখি। নোংমৈগী এটেক অদুদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সকী লাম্মী অহুম শিখিবগা লোয়ননা অতৈ লাম্মী কয়া অশোক অপন নঙখি। থৌদোক অদুদা অশোক অপন নঙলবা লাম্মীশিং অদু খুদক্তা মেদিকেলগী মতেং পীখি।

অবিয়ানদা অল-কাইদানা মতম শাংলক্লবা য়েমেনগী মিলিটরি কনফ্লিক্ট অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা মখোয়গী খোঙফম চেৎনবা হোৎনরকখিবগা লোয়ননা টেন্সন হেনগৎলকখিবনি। য়েমেনদা বেজ তৌবা অল-কাইদা টেরর গ্রুপনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং, ইন্টলিজেন্স ওফিসলশিং অমসুং মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মায়োক্তা এটেক চংথবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মতম শাংনা লানগী অৱাবা নঙলক্লবা আরব লৈবাক অদুগী ফিভম হেন্না লুশিলহনখি। টেররিষ্টশিংগী থ্রেট হেনগৎলকপা থেংননবা হোৎনরদুনা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা সাউদি অরাবিয়ানা লূচিংবা কোল্লিসনগী মতেংগা লোয়ননা হৌখিবা থা খরা অসিদা অল-কাইদাগী লোৎফমশিংদা মিলিটরি ওপরেসনশিং চংখিবনি।